# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 30-01-2026)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎ মার্তিয়র্স ডে থৌরম ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি।

২) চুরাচান্দপুর অমদি তেংনৌপল জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) মনিপুরগী সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা জ়কো ভেল্লিগী শরুক অমা ওইরিবা মাউন্ট ইসোগী চীংশাংদা লাম্মৈ চাক্লিবা অদু কন্ননবা কন্না হোৎনরি।

**------**

**গান্ধি (এল)ঃ** মহাত্মা গান্ধি লৈখিদবা নুমিৎ মার্তিয়র্স ডে থৌরম ঙসি ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোক্কনি। অয়ুক্কী পুং ৯ দগী হৌগনি। অয়ুক পুং ১০ মিনিত ১০ দা ভজন শক্কনি। অয়ুক পুং ১০ মিনিত ৫৯ দগী পুং ১১ ফাওবা অহৌবগী সাইরেন খোংগনি অমদি মিনিত অনি তুমিন্না লৈদুনা মহাত্মা গান্ধিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎক্কনি। লোইশিনবগী সাইরেন্না অয়ুক পুং ১১ মিনিত ২ দগী ১১ মিনিত ৩ ফাওবা খোংগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল অমদি সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াগনি।

লমফেলপাৎ য়াওনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিতিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা সরকারগী ওফিসশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়ানবা

রাজ্য সরকারগী কম্মিসনার হোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা জি.এম হোলগী অকোইবদা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি । ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- কৈশামপাৎতগী লাকপা গাড়িশিং নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা চৎলগা পোষ্ট ওফিস অমদি শঞ্জেনথোং লোমদা চৎকনি। নোর্থ এ.ও.সিরোমদগী লাকপা গাড়িশিং খোয়াথোংরোমদা চৎগনি। এম.জি. এভিন্যুদগী লাকপা গাড়িশিং এল.আই.সি ক্রোসিং ফাওদুনা ওল্ড পৱার হাউসলোমদা চৎকনি। শঞ্জেনথোং অমদি পোষ্ট ওফিসরোমদগী লাকপা গাড়িশিং নিত্যাইপাৎ চুথেক ফাওরগা কৈশামপাৎলোমদা চৎকনি অমদি উরিপোক লোমদগী লাকপা গাড়িশিং নিত্যাইপাৎ চুথেকলোমদা চৎকনি হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। মরুওইনা চীংগা তাইনবা মফমশিং অমদি ইরাং থোকনবা মফমশিংদা ওপরেসনশিং চত্থরি। চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইকুল ভিলেজ এরিয়াদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা ওতোমেতিক রাইফল অমা, আই.ই.দি অহুম, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু টু পিষ্টোল অমা, নোংমৈ মরু য়াওনা লোকেল মেদ রিভোলভর পিষ্টোল অমা, লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এম. এস.এল.আরগী মরু ৫ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী তরাও লমখায়দা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা বোম য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি। মদুগী মনুংদা পোম্পিগী ইমপ্রোভাইস মোরটার অহুম, আই.ই.দি অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অহুম অমদি ৱাকি টৌক্কি সেট য়াওরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি তোঙান তোঙানবা আইন্না য়াদবা থবক থৌরম কয়াদা চেন্নবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথরি। খোঙথাং অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক প্রোগী কাদর অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোঙাদা অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারে। মণিপুর পুলিসনসু ঙরাং কে.সি.পি (এম.সি-প্রোগ্রেসিভ)কী কাদর অনি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পেলেস গেটতগী ফাখি। মখোয় অনিমক হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুম্বোং খাইদেম অৱাং লৈকাইদা লৈবনি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা য়াঙৌবুং ভিলেজদা আই.ই.দি অহুম পোকখায়হনখ্রে। আই.ই.দি অহুম অসি ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পিল্লর ৭২-৭৩ গী মনাক্তগী ফংখিবনি।

**ড্রগ (এল)ঃ** মণিপুরদগী ড্রগ মরু ফংনবা মুখৎনবগী পান্দমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পোপি পান্বী য়ান্থৎপা অমদি মসিগী করবার তৌরিবা মীওইশিং লেপ্তুনা ফাগৎলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চুরাচান্দপুর জিলাগী সঙ্গাইকোট-শুগনু রোডতা লৈবা খোকোন ভিলেজ এরিয়াদগী হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ওপিয়মগা কোন্ননা মীওই অমা ফাগৎখি। ফারবা মীওই অসি জিলা অসিগী কানন ভেং-তুইবোংদগীনি। মঙোন্দগী ওপিয়ম কিলোগ্রাম ৩৬ গ্রাম ৫৪ ফাগৎখি। মহাকা তোংলকপা চাকা মরি পানবা গাড়িসু ফাগৎলে হায়রি।

**জকো (এল)ঃ** মনিপুরগী সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা জকো ভেল্লিগী শরুক অমা ওইরিবা মাউন্ট ইসোগী চীংশাংদা লাম্মৈ চাক্লিবা অদু কন্ননবা ঙরাংদগী মাও-তদুবী-মরাম পুলিসকী কাংবু, তদবী ফয়ার বৃগেট, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, এন.দি.আর.এফ, এস.দি.আর.এফ, এস.দি.ওগী কাংবু, সোংসোং ভিলেজ ওথোরিতি অমদি মাওগী খুঞ্জাশিং চংশিনদুনা লৈরি। মসিদসু নত্তনা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্তর অমসু মাংজোননা শেম শাদুনা লৈখ্রে। মৈ চাকপা

অসিনা মরম ওহৎরগা জ্কো তম্পাক্তা হৌবা পান্বীশিং অমদি অকোইবগী ফিভম চাউনা শোকহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা ফোংদোকরক্লি।

অমরোমদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী চেয়ারপার্সনসু ওইরিবী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

এদভাইজরি অদুনা মফম অদুগী অকোইবদা লৈবা খুঞ্জাশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক খুলশিংগী চেয়ারমেন নৎত্রগা সেক্রেটরিশিংনা দরকার লৈবা থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। মফম অসিদা এদভেঞ্চরগা মরী লৈনবা থবকশিংগীদমক লাকপা মীওইশিংনা মৈহৌ লাংপোক থোকপা য়াবা থৌওংশিং চথ্দনবসু এদভাইজরি অসিনা খঙহল্লি।

মাও কাউন্সিলনা জ্কোগী মাউন্ট ইসোদা লাম্মৈ চাক্লিবা অদুবু য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। কাউন্সিল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মহৌশাগী ফজবা মফম অমসু ওইরিবা চীংগী শরুক অসিদা লাম্মৈ চাকখিবা অসিনা মফম অদুগী ফজবা মাঙহনবতা নত্তনা মমল য়াম্লবা মহৌশাগী খুদোলশিংদা অকায়বা কয়া থোকহনগনি।

**আইদিপি(এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিংবু অমুক হন্না মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্দুনা খুন্দা লৈতাহন্নবা থবক সরকারনা লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি- ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- আই.দি.পিশিংবু নিংথিনা মশা মশাগী ময়ুমদা হলহনবা খক্তা নত্তনা মখোয়গী হিংনবা লম্বী হান্নগুম ফংহনবা, আই.দি.পি মহৈরোইশিংদা মতিক চাবা শিক্ষা ফংহনবা অমদি হান্নগুমা মরেক মহাউ থোকা হিংবা ঙমহনবা হায়বসি সরকারগী পান্দমনি। মমাং চহিগী দিসেম্বর ফাওবদা আই.দি.পি. লিশিং তরারোম খুন্দা লৈতাহনবা ঙমখ্রে। মখোয়গীদমক প্রধান মন্ত্রি অব্রাস য়োজনা গ্রামীনগী মখাদা য়ুম লিশিং তরেৎলোম শানবা থৌরাং

পায়খৎপা হৌখ্রে। তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহন্নবা লুপা কোতি ১২৪ থাদোকখ্রে। মখা তানা আই.দি.পি. লিশিং ৩,৭০০ খুন্দা লৈতাহনখ্রে অমদি চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবদা ইমুং লিশিং ১০ গী মীওই লিশিং ৪০ হেনববু অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্নবা সরকারনা মখা তানা থবকশিং পায়খৎলি।

**নাগা (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী ইরেং নাগা ভিলেজগী মীওইশিংদা কুকি নেসনেল ফ্রন্টকী লুচিংবা অমনা কিহল্লকখিবব্ জোইন্ট ট্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কাউন্সিল অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ১২ দা কুকি নেসনেল ফ্রন্টকী লিদরনি হায়না শক তাকচবা মীওই অমনা খুল অসিগী খুঞ্জাশিংদা অকিবা পীবা থৌওং য়ামা লাইবক থিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীওই অসিগী মথক্তা গমনোম সরপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎখিবতা নত্তনা ৱার্কিং কমিতি ওফ দা লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিলনসু কেন্দ্র সরকারগী গৃহ মন্ত্রি য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা পিতিসন পীশিনখিবসু লৈখ্রে। ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎলকপদি লৈত্রি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা থোক্তনবগীদমক অমদি মীচম মীয়াম্বু নিংথিনা ঙাক শেনবীনবগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিতিনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

**নিরমালাঃ** কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা ঙরাং লোক সভাদা ইকোনোমিক সর্ভে-২০২৫-২৬ পুথোকখ্রে।

সর্ভে অসি শেল থুম মন্ত্রালয়গী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক এফিয়ার্সনা চীফ ইকোনোমিক এদভাইজরগী মীৎয়েং মখাদা পুথোকপনি। সর্ভে অসিদা লৈবাক অসিগী হৌজিক ওইরিবা শেল থুমগী ফিভম অমসুং তুংদা ওইরকপা য়াবা ফিভমশিং নীংথিনা উৎলি।

কেন্দ্রগী ২০২৬-২৭ কী সধারন বজেদ মথং থাগী অমদা পুথোক্কনি। অহানবা তাঙ্কক্কী বজেদ মীফম মথং থাগী ১৩ ফাওবা ফমগনি। অনিসুবা তাঙ্ককা মার্চ ৯ দগী হৌরগা এপ্রিল অনি ফাওবা চত্থগনি। মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৩০ লৈগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.দি.পিশিংগী মতাংদা চীফ সেক্রেতরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, জকো ভেল্লি মৈ চাকপগী পাউ অমদি কোকোমিগী খোঙচৎকী মতাংদা ফোংবা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

মার্চ ফাওবদা আই.দি.পি লিশিং ৪০ ময়ুমদা হঞ্জিনহনগদৌরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

শঙাই এক্সপেস মণিপুরী ইদিসনদনা অমিত সাহ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা অসামদা থুংলখ্রে। কুকি এম.এল.এশিংগা উন্নবাা লৈখায় তাদ্রি হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরে।

জিরিবাম মসাকর অমদি পি.এন.বিদগী লুপা ক্রোর কয়া লুট তৌখিবগী কেস এন.আই.এনা চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরে।

সনালৈবাক্তা মহৈরোইগী মায়খুম উপলগা য়ুনিভর্সিতিগী প্রোপরতি থুগাইবা য়ানিংদে হায়বা মুসুগী ৱাফম অহানবা লাময়দা ফোংলি।

জনুৱারি ৩১ গী মণিপুর কনবা খোঙচৎতা য়েলহৌ ফুরুপ পুমমকা শরুক য়ামিন্নশি হায়বা কোকোমিগী ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

জকোগী মাউন্ট ইসিগী মৈ মুত্থৎপা ঙমদ্রি হায়বা পাউ অসিনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলে।

সিৱরেজ প্রোজেক্ট অমদি কনক্রিট রোড প্রোজেক্ট অনি পাশিনবনা ইম্ফাল মনুংগী লন্বী শেন্বদা খুরৌ থাংলব্রা হায়বা পাউ অসিনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম.টি.য়ুগী কনভোকেসন পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা জকো মৈ চাকপগা মরী লৈননা সেনাপতি দি.সিনা এদভাইজরি থোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা মেঘালায়াদা লৈরিবা এসিয়াদা খ্বাইদগী নানবা ভিলেজ অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা থোঙ লোনগনি হায়বা পাউ অসি অহানবা লমায়দা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা রিজিৎ পেভমেন্টকী থবক তমেংলোং বজারদা লেপ্তুনা চথরি, থবক অসি হৌজিক ওল্ড মার্কেট এরিয়া য়ৌরে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

------